# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, JUNE 25, 2019 PAGE 7






*অপুর্ভি চান্দেলানা থল্লম্বা ৱার্ল্ড রেকোর্দ লাম্থোকপা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী সুট্টর মেহুলি ঘোস*

*ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা বাংলাদেশকী মায়কৈদগী রন ১০০০ য়ৌবা ঙম্বা অহানবা বেটসমেন ওইখ্রবা সাকিব অল হাসন*

## সাকিবনা বাংলাদেশপু রন ৬২ দা মায় পাকহন্দুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখ্রে

*সাউথমতন, জুন ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা মালেমগী ক্রিকেট মশান্নশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ৩১শুবা মেটচতা বাংলাদেশকী ওল রাউন্দর সাকিব অল হাসনা রন ৬২দা মায় পাকহন্দুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখ্রে।

৩১শুবা মেটচ অসিগী টোস আফগানিষ্টাননা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। বাংলাদেশনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৬২ লৌবা ঙমখি।

বাংলাদেশকী অপুনবা স্কোর ২৩শুরকপদা অহানবা ৱিকেট তুখি। ওপনর লিটোন দাসনা রন ১৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা সাকিব অল হাসন অমদি অতোপ্পা ওপনর টামিম ইকবালনা টিমগী অপুনবা রন অদু ৮২ য়ৌহল্লকখি।

সাকিব অল হাসননা বোল ৬৯ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন ওইখিবা মুসফিকুর রাহিমনা বোল ৮৭ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৮৩ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী পজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

৭শুবা বেটসমেন মাহমুদুল্লাহগী রন ২৭ অমদি ৮শুবা বেটসমেন মোসাদেক হোসেননা বোল ২৪ দা ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৩৫ লৌরম্বা অসি টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

আফগানিষ্টানগী বোল্লিংদা মুজিব উর রহমন না আফগানিষ্টানগী বেটস মেন ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। আফগানিষ্টানগী অতোপ্পা বোল্লর গুলবাদ্দিন নাইবনা বেটসমেন ২ আওট তাহনখি।

আফগানিষ্টাননা মায় পাক্নবগী রন ২৬৩ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ওভর ৪৭ দা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইখিবদগী মেটচ অদু বাংলাদেশনা আফগানিষ্টানবু রন ৬২ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখি।

আফগানিষ্টানগী বেট্টিং অদুদা ওপনর গুলবাদিগী রন ৪৭, অতোপ্পা ওপনর রাহমট সাহগী রন ২৪, ৫শুবা বেটসমেন অসগর আফগানগী রন ২০, সামিয়ুল্লাহগী আওট ওইদনা লৌখিবা রন ৪৯ অমদি ৮শুবা বেটসমেন নাজিবুল্লারন ২৩ শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

বাংলাদেশকী বোল্লিংদা সাকিব অল হাসননা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা আফগানিষ্টাগী বেটসমেন ৫ আওট ওইহনবা ঙমখি।




## আর্জেন্টিনানা কাটার ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, কলম্বীয়াসু মায় পাকখ্রে

*পোর্টো এলেগ্রে, জুন ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা আর্জেন্টিনানা কাটারবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, কলম্বীয়াসু মায় পাকখ্রে।

কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা 'বি' গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা আর্জেন্টিনানা কাটারবু ২–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। মেটচ হেক হৌবদগী আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

মেটচকী ৪শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লাওটারো মার্টিনেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

কাটারগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা অনৌবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নরক্তুনা আর্জেন্টিনাগী মায়কৈদা বোল তোয়না পুশিন্দুনা এটেক কয়া চথরকখি। কাটারগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদু মায়োক্নবা হোৎনবদা আর্জেন্টিনাগী দিফেন্দরশিং অৱাবা অমা ওইখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী আর্জেন্টিনানা কাটারবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সর্জিও এগুইরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু মখোয়না কাটারবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা ভেনেজ্বেলাগা শান্নরগনি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কলম্বীয়ানা পরাগ্বেবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে। কলম্বীয়া গ্রুপ অসিদা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাক্তুনা পুন্না পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা মাঙজৌননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবনি।

কলম্বীয়া অমদি পরাগ্বেগী মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অয়াম্বা মতম হৌজিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। মেটচকী কলম্বীয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা গুষ্টাভো কুয়েল্লরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মতমশিং অদু শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদবদগী মেটচ অদু কলম্বীয়ানা পরাগ্বেবু ১–০ দা থোইবা ঙমখি।



## ফ্রান্সনা ব্রাজিল ২–১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*পেরিস, জুন ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইরগ চথরিবা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ব্রাজিলনা আর্জেন্টিনাবু ২–১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ফ্রান্স অমদি ব্রাজিলনা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসি হেক শান্নবা হৌরকপদগী পাঙ্গল মান্নখিদবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা লম্বা য়াম্না মান্নখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ লোইখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই ভালেরি গাওভিননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল শোখরিবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা ফ্রান্সকী গোল এরিয়াদা বোল তোয়না পুশিন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইনবা কন্না হোৎনরকখি।

ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা হোৎনখিবশিং অদুগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা থাইসানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ১–১ দা মান্নরগা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নখ্রবা মতুং মায়কৈ অনীগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল থিবা হৌনরকখি। মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখিবদগী এক্সত্রা টাইম শান্নবগী মথৌ তাখি।

এক্সত্রা টাইম শান্নরকপা মেটচকী ১০৬ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই অমান্দিনি হেনরিনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সনা ব্রাজিলবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।



## গুনেশ্বারন অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*অন্টালয়া, জুন ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

টর্কিগী সিটি অন্টালয়াদা চথরিবা টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বরন অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

এ টি পি টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেশ্বরননা সর্ভিয়াগী জাঙ্কো টিপসারেভিসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–০, ৭–৬(৮–৬) দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী দামির ঝুমহুরনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথ্যু ইবদেনবু ৬–৪, ৭–৫ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রামকুমার রামানাথন নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱিম্বলদন ক্বালিফায়রগী অহানবা রাউন্দদা স্লোভেনিয়াগী লুকাস লেক্কোবু ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন ক্বালিফায়র অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ইন্দয়াগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাকেট মাইনেনি স্পেনগী গার্সিয়া লোপেজগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–৪,৫–৭ দা মায়থিহৌবদগী মেন ড্রো য়ৌবা ঙমখিদে।

## ইন্দিয়াগী নুপী জুনিয়র বোক্সরশিংনা ব্লেক ফোরেষ্ট কপ্তা গোল্ড ৫ লৌখ্রে



*স্ক্যনিংঙ্গেন, জুন ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিগী সিটি স্ক্যনিংঙ্গেলদা পাঙথোকখিবা ব্লেক ফোরেষ্ট কপ্তা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপী বোক্সরশিংনা গোল্ড মেডল ৫ লৌখ্রে, বেষ্ট টিম ট্রোফিসু ইন্দিয়ানা ফংবা ঙমখি।

ব্লেক ফোরেষ্ট কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী লৈবাক ১০ না শরুক য়াদুনা অথোই–অহেন তান্নখিবনি। শরুক য়াখিবা লৈবাকশিং অদুদি ইন্দিয়াগা লোয়ননা য়ুক্রেন, জর্মনি, কাজাখষ্টান, লাটভিয়া, হঙ্গেরি, লিথুৱানিয়া, মোঙ্গোলিয়া, গ্রিস অমদি পোলেন্দদগী লাকপা বোক্সরশিং শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা গোল্ড মেডল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিং অদুদি তম্মনা (কেজি ৪৮), অঞ্জু দেবী (কেজি ৫০), নেহা (কেজি ৫৪), অম্বেশ্বরী (কেজি ৫৭) অমদি প্রিতি দাহিয়া (কেজি ৬০) নি।

ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা কেজি ৫৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী নেহানা বেষ্ট বোক্সরগী মনা ফংখি। অদুগা কেজি ৫০দা শরুক য়ারিবী অঞ্জু দেবীনা প্রোমিজিং প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনা পীদুনা ইকাই খুন্নখি।

ব্লেক ফোরেষ্ট কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৫০গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী অঞ্জু দেবীনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জর্মনিগী শান্নরোই ফটিমাবু য়াম্না লাকচনা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী কেজি ৫০গী ফাইনেল বাওটতা অঞ্জু দেবীনা হঙ্গেরিগী ভরগা বিটাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌখি। কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী প্রিতি দাহিয়ানা জর্মনিগী শান্নরোই টুটাল লুটফিয়েবু পোইন্ট ৫–০ দা থোইদুনা মহাকসু গোল্ড মেডল লৌখি।

## কানাদা অমদি মেক্সিকো মায় পাকখ্রে

*ন্যু য়োক, জুন ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

নোর্থ অমেরিকাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোনকাকেফ গোল্ড কপগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী মেটচশিংদা কানাদা অমসুং মেক্সিকো মায় পাকখ্রে।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কানাদানা ক্যবাবু পাঞ্জল ৭–০ দা মায়থিবা পীখি। কানাদাগী পাঞ্জলশিং অদু জেনাথন দেবিদনা গোল ৩, লুকাস কাভালানিনা গোল ৩ অমদি জুনিয়র হোইলেটনা গোল অমা চনবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মেক্সিকোনা মার্টিনিকপু ৩–২ দা থোইরমখি। শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী উরিনেল এন্টুৱা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। টিম অসিগী অতোপ্পা গোল অনী অদুনা রাওল জিমেনেজ অমদি ফর্নান্দো নাভারোনা অমমম চনখি।

মার্টিনিককী অহানবা পাঞ্জল অদু অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা কেভিন পারসেমেননা চনবা ঙমখি। অদুগা টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা জোর্দি দেলেমনা চনবা ঙমখি।

## মেহুলি ঘোসনা ৱার্ল্ড রেকোর্দ হেন্দোক্না কাপখ্রে

*চেন্নাই, জুন ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর মেহুলি ঘোসনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলানা থল্লম্বা ৱার্ল্ড রেকোর্দ হেন্না কাপা ঙমখ্রে।

টুঘলাকবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনেল সুট্টিং ট্রাইয়েল সেলেক্সনগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা পোইন্ট ২৫২ ফংদুনা মকোক ওইবগা লোয়ননা মমাঙদা ইভেন্ট অসিগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ ওইরম্বা অপুর্ভি চালেন্দলাগী স্কোরদগী হেনবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা আয়ুসি গুপ্তনা পোইন্ট ২৪৯.৮ দা অনীশুবা তাখি অদুগা মেঘানা সাজানরনা পোইন্ট ২২৮.৩ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র ৱুমেনগী ইভেন্টতসু মেহুলি ঘোসনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা চিঙ্কিনা যাদবনা পোইন্ট ৩২ স্কোর তৌদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। নিরজ কোরনা পোইন্ট ৩০ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা অদুগা অন্নু রাই সিংহনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। জুনিয়র সেক্সনদা অরুনিমা গোরনা মকোক ওইখি, নিরজ কোরনা অনীশুবা অদুগা নেহানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোনদা পুন্না স্কোর ৬২৩.২ দা অহানবা পোজিসন তাখি। সুবাঙ্কর প্রামানিকনা পোইন্ট ৬২২.৫ দা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

নুপগাগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোনদা অখিল সিওরাননা পোইন্ট ৬২১.৯ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

MARU BARBER

MARU

Estd. Men's Only 2018

Barber Shop

NH2 MALOM TULIYAIMA
NEAR OIL DEPOT-795003

8837335122

MARU BARBER

We the staffs of MARU BARBER shop warmly welcoming all the customers. Please get an experience of stylish, hygienic work with a good hospitality.

Men's only

Timing 7am-7pm

*Special discount on facial for Grooms only

SL/4930/15 days 14/6/19

M/S IMPHAL PRESS

Screen Printing & Rubber Stamps Works

Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI

Lengsinbirakshi

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal
* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal.

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোংচাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 8974359246

SL/4918/P/30 days-12-6

### ক্রোসৱার্দ ১৯৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | A | T | S | | C | H | O | P | | L | A | L | A | W |
| A | L | E | C | | H | E | N | S | | A | B | O | D | E |
| C | O | L | A | | O | R | C | A | | T | E | R | S | E |
| Y | E | L | L | O | W | B | E | L | L | I | E | D | | |
| | | | P | H | D | | | M | O | T | | | | |
| G | M | C | | M | E | S | A | | B | U | S | H | E | L |
| L | A | U | D | | R | E | D | R | E | D | W | I | N | E |
| O | U | T | O | F | | R | O | I | | E | A | R | L | E |
| B | L | U | E | R | I | B | B | O | N | | B | E | A | K |
| E | S | P | R | I | T | | E | T | A | T | | D | I | S |
| | | | | G | E | L | | | S | O | P | | | |
| | | P | R | I | M | A | R | Y | C | O | L | O | R | S |
| S | A | L | A | D | | D | A | V | E | | A | V | O | W |
| E | M | A | I | L | | E | V | E | N | | C | A | S | A |
| W | I | N | D | Y | | N | E | S | T | | E | L | A | N |